# ওপোজিসনগী লুচিংবশিংদা ঈ দিনা র‌্যেদ চথরিবা অসিগুম্না বি জে পি লীদরশিংদসু র‌্যেদ চথগদবনি : সত্য পাল মালিক



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগী মথক্তা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা র‌্যেদ চথরিবা অসিগুম্না বি জে পিগী লুচিংবশিংগী মথক্তসু ঈ দিনা র‌্যেদ চথবা মথৌ তাই হায়না মেঘালয়াগী গভর্নর সত্য পাল মালিকনা ফোঙদোরক্লি।

জয়পুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা গভর্নর সত্য পাল মালিকনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা, বি জে পিগী লৈরিবা লুচিংবশিংগী মরক্তা ঈ দিনা র‌্যেদ চথবা য়াবা কয়া য়াওরি। মখোয়শিং অদুগী মথক্তা র‌্যেদ চথবগী মহুত্তা ওপোজিসন লীদরশিংগী মথক্তা র‌্যেদ চথরগা লৈবসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ৱাহং কয়া হংনরক্লি। লৈঙাক অসিনা করপসন মুথৎকে হায়না খল্লবদি রুলিং নৎত্রগা ওপোজিসন হায়বা ৱাফম অসি নকোয়ননা থল্লগা করপসনদা চেন্নবা মীওই খুদিংমক চপ চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, মীওই খরনা করিগুম্বা মহাক্না সেন্টরগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা লেপ্পবদি লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা মহাকপু খল্লম্বা য়াবনি হায়না ফোঙদোক্করক্লি। অদুবু ঐগী ওইনদি ৱা ঙাঙবা লেপ্লোই। ঐগী ৱাখলদা ফাওরকপা অদুম্মক ময়াম মমাংদা ফোঙদোক্কনি। ঐ ভাইস প্রসিদেন্ট ওইদ্রবসু য়াই হায়রি।

অমরোমদা রাহুল গান্ধীগী ভারত জোরা যাত্রাগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খিবদা, রাহুল গান্ধীনা তৌরিবা থবক অসি মহাক্কী পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবনি। মসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু মহাক্না চৎলিবা খোঙচৎ অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা করি কান্নবা পীগদগে হায়বদি মহাক খঙদে। মসিদি মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোনদা লৈরে হায়রি।

অমরোমদা সেন্টরনা লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিদা লৈরিবা রাজপথকী মমিং ওনখিবা অদুগী থোইদোকপা কান্নবা লৈতে। মদু মথৌ তাদবা থবক্নি। অদুবু মহাক্কী ওইনদি অনৌবা মমিং কর্তভ্যা পথ হায়বা অসিদগী হান্না লৈজরম্লিবা রাজপথ হায়বা মমিং অসিনা য়াম্না ফজবা হেল্লি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংশিংদা মহাক্না মপুঙ ফানা শৌগৎকনি হায়রি।




রিপ্রজেন্টেটিব ওফ লোইস, ককচিংনা শিন্দুনা দিপ্যুটি দিরেক্টর জেনরেল (ঈ) দা প্রোমোসন পীরকখ্রবা হেমন্তা নাউরেমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম

# চহী ৪২ রোম শুরবী নুপী অমা হাৎলবা মতুং অশিবা হকচাং অদু রেপ তৌখ্রে



গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): তাবদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা অসামগী দালগুরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা খুঙ্গং অমদা নহা অমনা মশাগী চহী ৪২ রোম শুরবী নুপী অমা মঙকশম লাকহৎতুনা হাৎলবা মতুং অশিবা মশা অদু রেপ তৌখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা উদালগুরি সদর পুলিস ষ্টেসনদা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওই অসিনা মশা মতোমতা চঙজরকখ্রবা মতুং থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙনরকখিবনি। থৌদোক অসি মমাঙ থাগী ২৫ দা থোকখিবা থৌদোকনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা ভিক্টিম ওইরিবী নুপী অসি খুঙ্গং অদুগী মনাক নক্না লৈবা তুরেল অমদা ইরুজবা থোকখিবনি। মহাক্না ইরুজরিঙৈদা তুংলোমদগী নুপা অসিনা চঙশিন্দুনা মঙকশম লাকহৎলগা হাৎলবা মতুং মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু রেপ তৌখিবনি। ভিক্টিমগী মপুরোইবনদি মহাক্কী খুঙ্গংদগী মীওই অমনা অসিগুম্বা থবক থৌওং অসি চথরমগনি হায়না থাজদবা অমদি সুপর নেচরেল ওইবা থৌওং অমনা শিহনখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনবদগী কেস রেজিষ্টর তৌবগী মহুত্তা অরোইবা মথৌ মঙম ওইনা পাঙথোকখি। অদুম ওইনমক থৌদোকসিদা চেন্নরিবা মীওই অসিনা পুলিসতা চঙজরকপদগী ফুমজিনখ্রবা নুপীগী মশা অদু লৌথোক্লবা মতুং পোষ্ট মোর্টেমগীদমক থাখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, উদালগুরি দিষ্ট্রিক্টকী এস পি সুপ্রিয়া দাসনা ফোঙদোকখিবদা চঙজরকখ্রবা একুইজ অদু লোকল কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ ১৪ জুদিসিএল কষ্টিদিদা রিমান্দ লৌথখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা আই পি সী সেক্সন ৩৭৬/৩০২ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

# সী পি আই-এমনা কাঙলুপকী ইরাং শাগৎনবা হোৎনরে হায়না সী এমনা মরাল শীরক্লি

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলুপ ফুরুপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবা অকনবা মওংদা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা ত্রিপুরা সী পি আই-এমনা কাঙলুপ মশেনগী মরক্তা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরে হায়না চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ত্রিপুরাদা খুন্দামিন্নরিবা ত্রাইবেলশিংগী মরক্তা সী পি আই-এমনা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিন্দুনা কাঙলুপ নাইবা থৌওংশিং থোকহন্নবা হোৎনরি। ত্রাইবেল অমসুং নন-ত্রাইবেল হায়না খায়দোক্তুনা অমগা অমগা য়েংথিনহন্নবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থিবনি। সী পি আই এমনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক কয়া থোকখি। ত্রিপুরা খক নত্তনা সী পি আই-এমনা লৈঙাক পায়রম্বা খক নত্তনা সী পি আই-এমগা পুল্লগা চৎমিন্নরম্বা লৈঙাকশিংদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং থোকপা হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সী পি আই -এমগী থৌইনশিংনা মরম ওইরগা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংদা শোকখ্রবা মীয়ামশিংগী ময়ুম ময়ুমদা বি জে পিনা লৈঙাক অসিনা চত্তুনা অৱাৎ অপা য়েংশিল্লি। মখা তানসু য়েংশিনখিগনি হায়রি।

# শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা হান্নগী প্রিন্সিপাল অমা ফারে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): অসামগী নগাওন দিষ্ট্রিক্তা লৈবা গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদগী য়াল্লবা শেনফমশিং অরানবা মওংদা হৈনথোকখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা স্কুল অদুগী হান্নগী প্রিন্সিপাল অমা ফারে হায়রি।

নাগাওন পুলিসনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা ফারবা প্রিন্সিপাল অদুগী মমিং গোপাল চন্দ্রা বোরা কৌই। সমাগুরি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহাক্না প্রিন্সিপাল ওইনা থবক তৌরিঙৈ মতমদা অনৌবা ক্লাসরুম অমা শাননবগী কায়থোকখিবা লুপা ৪,৬৪,০০০ অরানবা মওংদা লৌথোক্লমখিবনি।

ক্লাসরুম শাদনা শেল লৌথোক্লম্বগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা প্রিন্সিপাল প্রনাব জ্যোতি গোস্বামিনা সমাগুরি পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন তৌরকখ্রবা মতুং পুলিসনা আই পি সী সেক্সন ৪০৯ গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোকসিদা চেন্নরিবা হান্নগী প্রিন্সিপাল গোপাল ঙরাং ময়ুমদগী ফাখিবনি হায়রি।

# এন ঈ রিজনগী চীফ মিনিষ্টরশিং লাক্নবা ইনভাইট তৌরকখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেট নিপালগী চীফ মিনিষ্টরশিং বাংলাদেশতা লাক্নবা ইনভাইট তৌখ্রে হায়না বাংলাদেশকী ফোরেন এফেয়রস মিনিষ্টর সহারিয়র অলমনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগা হেন্না ফবা মরী লৈহন্নবা পান্দমদা নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ ওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরশিং বাংলাদেশতা লাক্নবা ইনভাইট তৌখিবনি। নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা ষ্টেট খরখক্তমক বাংলাদেশকা অফবা মরী থল্লি। বাংলাদেশ অমসুং নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংগী মরক্তা কিলোমিটর ১৮৭৯ শাঙবা ইন্টর্নেসনল বোর্দর লৈরি। মরম অদুনা নাকল অনীগী মরক্তা বোর্দর ট্রেদকী মতাংদা হেন্না খুমাঙ চাওশিলহন্নবগী পান্দমদা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা এন ঈ রিজনগী সী এমশিংগা উন্নবা ফীরেপ লৌখিবনি হায়রি।

# ত্রিপুরাদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাক্লিবা থা অহুমগী মনুংদা মীয়াম্না শোয়দনা ইন্থুরগনি

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসি লাক্লিবা নুমিৎ ৭০ দগী ৮০ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না শোয়দনা ইন্থুরগনি হায়না ওপোজিসন লিদরসু ওইরিবা সী পি আই-এমগী লুচিংবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ফোঙদোরক্লি।

সী পি আই এমনা শীন্দুনা অগরটালাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমগা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ৱাফম অসি ফোদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়খিবদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অরানবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লাক্লি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না বি জে পিগী জঙ্গল রাস অসি অথুবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা মুথৎখ্রগনি।




ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা চহী ৪ রোম নমথাক তৌদুনা লাক্লি। বি জে পিগী লৈঙাক লাকখিবদগী ষ্টেট অসিদা শেঞ্জা থুমজাগী থবক য়াম্না হেনগৎলকখ্রে। ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসরশিং য়াওনা পুলিস ওফিসর কয়াসু বি জে পিগী করপসন লৈঙাক অসিনা হুমদুনা পুরগা চৎলি। হৌখিবা থা ৫ রোম অসিদা সী পি আই-এমগী এম এল এ টিম অমনা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা ব্লোক ৫৮ গী মনুংদা ৫৭ তা চত্তুনা মীয়ামগী হকথেঙননা ৱারী শান্নরুরে অমদি দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ৮ গা উন্নদুনসু ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিং অদুনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক মখোয়না লৈরিবা ফীভম অসি য়াম্না মওং তাদবা ফীভম অমনি। পোলিটিকেল প্রেসরনা মরম ওইরগা মখোয়না তৌনিংবা থবক কয়া তৌবা ঙমদনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা সেন্তরনা পীরক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অসিগী কান্নবা মতম চানা ফঙহনবা ঙমদবনি হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে হায়রি।

## CROSSWORD-3642



**ACROSS**

1 Unwillingness (10)
7 Eerie (7)
8 French cheese (4)
10 Conservative (4)
11 Chronic sleeplessness (8)
13 Concurred (6)
15 Share out (6)
17 Deathless (8)
18 Prepare for publication (4)
21 Brink (4)
22 Connection (7)
23 Comprehend (10)

**DOWN**

1 Happen again (5)
2 Lengthy (4)
3 Weeping (6)
4 Food of the gods (8)
5 Italian wine (7)
6 Antipodean country (9)
9 Bewailing (9)
12 Bring back (8)
14 Islamic fast (7)
16 Telegraphs (6)
19 Given medicine (5)
20 Festival (4)

Solution 3641




SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4042

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | 7 | | 6 | |
| 8 | 6 | 4 | | 5 | | | | |
| 1 | 7 | | 3 | | | | | |
| 3 | | | | | | 1 | | 4 |
| | | | 7 | | 2 | | | |
| 5 | | 2 | | | | | | 3 |
| | | | | | 4 | | 3 | 2 |
| | | | | 8 | | 4 | 5 | 6 |
| | 4 | | 5 | | | 7 | | |

## Solution-4041

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 7 | 9 | 2 | 3 | 6 | 1 | 4 | 8 |
| 3 | 8 | 6 | 9 | 1 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 1 | 2 | 4 | 5 | 8 | 7 | 3 | 9 | 6 |
| 4 | 9 | 8 | 1 | 6 | 2 | 5 | 7 | 3 |
| 6 | 1 | 3 | 7 | 4 | 5 | 8 | 2 | 9 |
| 2 | 5 | 7 | 3 | 9 | 8 | 4 | 6 | 1 |
| 7 | 3 | 1 | 4 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 |
| 8 | 4 | 2 | 6 | 5 | 1 | 9 | 3 | 7 |
| 9 | 6 | 5 | 8 | 7 | 3 | 2 | 1 | 4 |

## ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCH ASSOCIATE

Assam Agricultural University Research Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Research Associate in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 30 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Research Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www. aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Research Associate
Research Associate
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 30 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Research Associate
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience 2 - 5 years
Salary 22000 - 97000(Per Month)
Posted on 06 Sep, 2022
Last Date To Apply 30-09-2022
Educational Qualification: M.Sc
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR 22000 - 97000(Per Month)
Age Limit: 38 yeras.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Research Associate in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Listed below are the steps to apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022
Step 1: Visit official website of Assam Agricultural University - aau.ac.in
Step 2: Here look for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 Notification
Step 3: Make sure you read all the details in the notification
Step 4: Apply or send the application form as per the mode of application given on the official notification
Important Dates:
Published on: 07 September 2022
Last date for application is: 30 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### AAU RECRUITMENT 2022 FOR ASSISTANT COMPTROLLER

Assam Agricultural University Assistant Comptroller Recruitment 2022: Advertisement for the post of Assistant Comptroller in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 20 September 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Assistant Comptroller Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Assistant Comptroller
Assistant Comptroller
Job Location:
-, Guwahati, - Assam
Last Date: 20 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Assistant Comptroller
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job LocationsGuwahati
Experience Fresher
Salary 30000(Per Month)
Posted on 07 Sep, 2022
Last Date To Apply 20-09-2022
Educational Qualification: Please Refer Official Notification
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
30000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Assistant Comptroller in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates must apply for Assam Agricultural University Recruitment 2022 before 20/09/2022 The procedure to apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit Assam Agricultural University official website aau.ac.in
Step 2: Search for Assam Agricultural University Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the Assam Agricultural University Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 08 September 2022

Last date for application is: 20 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম







